# চহী ৯ হৌখ্রসু লাইরেনপাৎ টুরিষ্ট সার্ক্যুইট লোইশিন্দ্রে

## লুপা ক্রোর ৩গী প্রোজেক্ট অসি শঙ্গাদ্রিঙৈদা কম্পাউন্দ ৱাল তুগদৌরে,গেটসু ক্রেক চৎলে





ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ১১(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী টুরিজম চাউখৎহন্নবা কুমজা ২০০৮ / ২০০৯দা পায়খৎপা প্রোজেক্ট ৪৩ দা য়াওখিবা লাইরেনপাৎ টুরিষ্ট সার্কুইট চহী ৯ হৌখ্রবসু লোইশিনবা ঙমদ্রে, শঙ্গাদ্রিঙৈদা সার্ক্যুইট অসিগী কম্পাউন্দ ৱাল তুথরক্কদৌরে।

কন্স্ট্রক্সন ওফ ইন্টিগ্রেটেদ টুরিষ্ট সার্ক্যুইট ফ্রোম ইম্ফাল–লম্ফেলপাৎ–পুরুকশৌবী–লৈশাং হিদেন এট ইম্ফাল হায়না মিংথোনবা প্রোজেক্ট অসিগী অপুনবা সেঙ্কসন এমাউন্ট লুপা ক্রোর ৬.৪৮ রোমনি। শেনফমশিং অসিগী মনুংদা লুপা ক্রোর ৩ লোম্না লাইরেনপাৎ টুরিষ্ট সার্ক্যুইট অসিগীনি। অদুগা অতে লেমহৌরিবা শেনফমশিং অদুনা পুরুকশৌবী অমসুং লৈশাং হিদেন সার্ক্যুইটকীনি। লৈশাং হিদেন সার্ক্যুইটকী ওইনদি থবক মপুং ফানা লোইশিন্দুনা শঙ্গাখ্রে। অদুগা পুরুকশৌবী অমসুং লাইরেনপাৎকী ওইনদি শঙ্গাবগী থবক–থৌরমশিং পায়–খৎত্রিঙৈদা শীজিন্নবা য়াবগী ফিভম লাক্লে হায়রি।

প্রোজেক্টশিং অসিগী মতাংদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী পব্লিক একাউন্ট কম্মিটিনা চপখৎলকপদগী ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদ্রে,শাও হায়বা মচাকশিং মওং চুম্না শাদ্রে হায়দুনা মফমদুদা কম্মিটিগী টিম চৎলগা য়েংশিনবা লৈখ্রে। মতমদুগী এম দি এসকী মেনেজিং দিরেক্টর ৱাই নিংথেম মশামক্তা নৌনা য়েংশিন্নবা অকনবা ৱার্নিং পীবা লৈখি। মদুগীসু মথক্তা মহাক মশা মক্না নৌনা শেমজিন–শাজিনগনি হায়না কম্মিটি অসিদা থাজবা পীখিবা লৈখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, লৈশাং হিদেনগী প্রোজেক্ট অসিগীদমক পুখ্রি শেমগৎপদা লুপা লাক্ষ ৩৫.১৪,কেফেটেরিয়া শাবগী লুপা লাক্ষ ৮৫.৬৬, গাড়ী পার্কিংশেমগৎনবা লুপা লাক্ষ ২৫.৬৬,ফেন্সিংগী লুপা লাক্ষ ৬৫.০২,মনুংগী লম্বী শেম্নবা লুপা লাক্ষ ২০.৭১,বুকিং কাউন্টর শানবা লুপা লাক্ষ ১০.৯২,হি অমসুং তোংনবা মফম শেমগৎপগী লুপা লাক্ষ ২.৮৬,গেট শানবা লাক্ষ ১৯.১০,উগী থোং শানবা লুপা লাক্ষ ৬.৪০,টোইলেট শানবা লুপা লাক্ষ ৬.১৪,পুখ্রিগী অকোয়বদা অমোৎ–অকায় হুনে দাক্লবা অমসুং মী ফম্না য়ানবা মফম শেমগৎপগী লুপা লাক্ষ ১৪.৩০ অমসুং লেন্দস্কেপ্পিংগী লুপা লাক্ষ ৫ হাপখি।

কোংবা খুন্নৌগী লম্বী চঙফম ময়াদা লৈবা লাইরেনপাৎ টুরিষ্ট সার্ক্যুইট অসি য়াওনা অতৈ প্রোজেক্টশিংগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর ৫.১৮ লোম কাইথোকখ্রে। লেমহৌরিবা শেনফমশিং অদুদি মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজমনা হৌজিক ফাওবা থাদোরকপা লৈত্রি।

টুরিষ্ট স্পোট অমা শেমগৎনবগী মচাক–মথুম মপুং ফানা লৈত্রগসু কনাগুম্বা থৱায় য়াওবা মীওই খরদা শীন্নরগা শেমগৎহন্দুনা নীংথিরবা রেষ্টুরেন্ট চলাইবদা শেল মাঙলোইদবা মফম অদু মতম শাংনা শীজিন্নদনা হুন্দোক্তুনা থম্বদগী মোংশোং ঙাক্তা ঙাইরে। মফম অদুবু য়েংশিনবনি হায়বা ঠিকাদারগী কাঙবুনা থম্বা মীওই অমখক লৈবাক নত্তনা মরী লৈনবা ওঠোরিটি অমত্তনা ঙসি ফাওবা মফমদু য়েংবা লাক্তে হায়রি।

খ্বাইদগী মীপাইহনিংঙাই ওইবা ফিভম অমনা কোংবা খুন্নৌ রোমদা চৎখিবা লম্বীগী মনিংথংবা শরুক্তা লম্বীগী হেক তাইননা খারিবা চেকপল অদু পুখ্রিরোমদা পৈথরে। চেকনা চল্লগা শাবা পুখ্রি ওইবনা তুথরক্লিবদু চুমথোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈতে। শিদোক্লগা নৌনা শাবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈররোই। শঙ্গাদ্রিবা প্রোজেক্ট অমা মতম চানা লোইশিনবা ঙমদবদগী হৌজিক্তি রিপিয়ারিংদি লাইরদনা নৌনা শেমগৎ–শাগৎতবা য়াদবগী ফিভম অমা লাকহল্লে।

মসিদসু নত্তনা গেট অসিগী মথক্তা থংবা শরুকসু ক্রেক চৎপা য়াওরকপনা মতম অমদা হেক্তা নীংখায়রক্কদ্রা হায়বগী অকিবা লৈরি। হান্না মীয়ামগী খোঙলিন ওইনা লৈরম্বা মফম অদু লৈঙাক্না মীয়ামগী য়াইফননবনি হায়না টুরিষ্ট সার্ক্যুইটকী লৌশিনবীখ্রগা হৌজিক্না অরেম্বদা কাংখা থাং ওইনা থম্বদা পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি।

# সি এ বিলগী মায়োক্তা এম পি সি সিগী লুচিংবশিংনা ঙসি দিল্লিদা প্রোটেষ্ট তৌদৌরি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ১১(এস এন এস)ঃ সিটিজন্সি এমেন্দমেন্ট বিল,২০১৬না মরম ওইরগা চহী অনী ফাজিল্লক্কদৌরিবা বি জে পিগী নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক ময়ি চৎলে। বিল অসি রাজ্য সভাদা হেক পুথোরক্লবা নৎত্রগা ওর্দিনান্স ওইনা চল্লাইরক্লগদি বি জে পিগা চৎমিন্নররোই হায়না নাগা পীপলস ফ্রন্ট(এন পি এফ)না পাউ–চে অসিদা ফোঙদোকখ্রে।

এন পি এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা পার্টি অসিগী লেজিসলেচরগী লুচিংবা এম এল এ অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হায়খি, সিতিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল,২০১৬কী মতাংদা এন পি এফকী ওইবা চপ চাবা ফিরেপ লৈজে। লৈবাক অসিগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং অসিদা হান্নদগী হৌদুনা লোগী ৱাংমদা বঙ্গলাদেশ মচা কয়া চঙশিল্লকপা লৈখ্রে। লো কায়না চংশিনলকপা মীতোপ ময়াম তাম্থোক্লবা হোৎনরিঙৈ অমসুং চংশিনলকপা য়ারোই হায়না মীয়াম্না লাওদুনা লাক্লিবনি।

মহাক্না হায়খি,লমদম অসিদ লৈরিবা মীয়ামগী খোল্লাউ ময়াম অসি তাবিবগী মহুত্তা লোনা য়াদবা মীওই কাঙলুপশিং অসিবু পুশিনলক্লগা সিতিজেন্সিপ পীনবা হোৎনরকপা অসিদি য়াফম থোক্তে। লোয়ননা পার্টি অসিনা বিল অসিগী মায়োক্তা লৈ।

অৱাংবৌনা মখা তানা হায়, অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপা মীয়াম্বু ইন্দিয়াগী সিতিজেন ওইনা লিগেলাইজ তৌনবা হোৎনবা অসি এন পি এফনা য়াবা ঙম্লোই। মসিনা হান্নদগী লমদম অসিদা লৈরক্লবা প্রোব্লেমশিংগী মথক্তা নৌনা প্রোব্লেম কয়া হাপচিনগনি অমসুং ৱাথোক লাম্থোক কয়া থোকহনলক্কনি। সি এ বিলদা শৌগৎলিবা পার্টি অদুগা এন পি এফনা কৈদৌঙৈদা চৎমিন্নবা য়ারোই। বিল অসি পাস তৌবদা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মীয়ামদা ওইরক্কদৌরিবা ফিভম অদু খঙনরবনি।

সি এ বিলগী মায়োক্তা এন পি এফকী অমত্তা ঙায়রবা রাজ্য সভাগী এম পি কে জি কেনিনা মদুগী মায়োক্তা চপ চানা লেপ্পগা লোয়ননা মহাক মথন্ত ওইরবসু বিল অসিগী মায়োক্তা থেংনগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা বিল অসি নম্ফুদা পাস তৌনবা হোৎনরক্লিবদি বি জে পিগা চৎমিন্নবগী ৱাফমদা অরুবা লাক্কনি হায়খি।

লৈরিবা ইশু অসিগী মতাংদা এন দি এনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা রিভিয়ু তৌরবা নৎত্রগা লোক সভাদগী হন্দোক্লবদি ফিরেপ অদু খন্নবা য়াগনি হায়খি। মসিগা লোয়ননা বিল অসি নম্ফুদা পাস তৌনবা হোৎনরবদি মদুগুম্বা পার্টি অদুগা চৎমিন্নবা কৈদৌঙৈদা ঙম্লোই হায়খি।

অমরোমদা সি এ বিলগী মায়োক্তা নাগালেন্দদা লৈরিবা এন পি এফকী মকোকথোংবা লুচিংবশিংনসু বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্পুনা ষ্টেট অদুদা মীয়াম্না চংশিনলকপা খোঙজং খুদিংমক্তা পার্টিগী লুচিংবশিং অমসুং ৱার্কর খুদিংক্না শৌগৎপগা লোয়ননা খোঙজংশিংদা শরুক য়ানবা হান্না খঙহনবা লৈখ্রবনি।

সি এ বিলনা মরম ওইরগা এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা পুন্না চৎমিন্নরিবা এন পি পিসু বিল অসি হেক পাস তৌনবা হোৎনরবদি এন দি এগা মরি তৎনরগনি হায়না চপ চাবা ফিরেপ লৌখিবা লৈখ্রবনি।

নেসনেল পীপলস পার্টি (এন পি পি )নসু বিল অসি হেপ পাস তৌবদা বি জে পিগা মরী তৎনরগনি হায়না হান্ননা ৱরেপ লৌবা লৈখ্রবনি। মসিনা মরম ওইরগা বি জে পি অমসুং এন পি পিগী মরক্তসু য়াম্না চাওনা মুক্লরি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক–হৌজিক বি জে পিগী এম এল এ ২১ লৈ। এন পি পিগী এম এল এ মরি, এন পি এফকী এম এল এ মরি, এল জে পি অমা, ত্রিনামুল কোংগ্রেস অমা অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমগনা লৈঙাক পায়মিন্নরি। মসিগী মথক্তা কোংগ্রেসকী এম এল এ নিপালসু লৈঙাক অসিদা শৌগৎলি। করিগুম্বা এন পি এফ অমদি এন পি পিনা লৈঙাক পায়বদগী তোকখ্রবা অমসুং কোংগ্রেসকী এম এল এ তরেৎনা মখোয়গী ওর্জিনেল পার্টিদা হঙ্জিল্লকপা তারগদি লৈঙাক অসি মাইনোরিটি তাবগী ফিভমদা লৈরি।

# রাজ্য সভাদা ঙসি সি এ বিল...

*লমায় ১গী মখা* পাস তৌবদা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মীয়ামদা ওইরক্কদৌরিবা ফিভম অদু খঙনরবনি।

সি এ বিলগী মায়োক্তা এন পি এফকী অমত্তা ঙায়রবা রাজ্য সভাগী এম পি কে জি কেনিনা মদুগী মায়োক্তা চপ চানা লেপ্পগা লোয়ননা মহাক মথন্ত ওইরবসু বিল অসিগী মায়োক্তা থেংনগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা বিল অসি নম্ফুদা পাস তৌনবা হোৎনরক্লিবদি বি জে পিগা চৎমিন্নবগী ৱাফমদা অরুবা লাক্কনি হায়খি।

লৈরিবা ইশু অসিগী মতাংদা এন দি এনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা রিভিয়ু তৌরবা নৎত্রগা লোক সভাদগী হন্দোক্লবদি ফিরেপ অদু খন্নবা য়াগনি হায়খি। মসিগা লোয়ননা বিল অসি নম্ফুন্দা পাস তৌনবা হোৎনরবদি মদুগুম্বা পার্টি অদুগা চৎমিন্নবা কৈদৌঙৈদা ঙম্লোই হায়খি।

অমরোমদা সি এ বিলগী মায়োক্তা নাগালেন্দদা লৈরিবা এন পি এফকী মকোকথোংবা লুচিংবশিংনসু বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্পুনা ষ্টেট অদুদা মীয়াম্না চংশিনলকপা খোঙজং খুদিংমক্তা পার্টিগী লুচিংবশিং অমসুং ৱার্কর খুদিংক্না শৌগৎপগা লোয়ননা খোঙজংশিংদা শরুক য়ানবা হান্না খঙহনবা লৈখ্রবনি।

সি এ বিলনা মরম ওইরগা এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা পুন্না চৎমিন্নরিবা এন পি পিসু বিল অসি হেক পাস তৌনবা হোৎনরবদি এন দি এগা মরি তৎনরগনি হায়না চপ চাবা ফিরেপ লৌখিবা লৈখ্রবনি।

নেসনেল পীপলস পার্টি (এন পি পি )নসু বিল অসি হেপ পাস তৌবদা বি জে পিগা মরী তৎনরগনি হায়না হান্ননা ৱরেপ লৌবা লৈখ্রবনি। মসিনা মরম ওইরগা বি জে পি অমসুং এন পি পিগী মরক্তসু য়াম্না চাওনা মুক্লরি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক–হৌজিক বি জে পিগী এম এল এ ২১ লৈ। এন পি পিগী এম এল এ মরি, এন পি এফকী এম এল এ মরি, এল জে পি অমা, ত্রিনামুল কোংগ্রেস অমা অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমগনা লৈঙাক পায়মিন্নরি। মসিগী মথক্তা কোংগ্রেসকী এম এল এ নিপালসু লৈঙাক অসিদা শৌগৎলি। করিগুম্বা এন পি এফ অমদি এন পি পিনা লৈঙাক পায়বদগী তোকখ্রবা অমসুং কোংগ্রেসকী এম এল এ তরেৎনা মখোয়গী ওর্জিনেল পার্টিদা হঙ্জিল্লকপা তারগদি লৈঙাক অসি মাইনোরিটি তাবগী ফিভমদা লৈরি।

# মৈন্যনা লোক সভাদা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ১১(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী লোক সভাগী এম পি ডা. টি মৈন্যনা ঙসি লোক সভাদা মেটর অন্দর রুল ৩৭৭গী মখাদা ৱা ঙাংলদুনা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল,২০১৬ য়ানিংদে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱিঠদ্রো তৌনবা তকশিনখ্রে।

ডা. মৈন্যনা হায়খি, বিল অসি হন্দোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মণিপুরগী মহৈরোই লূপশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং অমসুং কৈথেল ফম্বী ইমাশিংনা হৌখিবা জনুৱারী ৩০দা ন্যু দিল্লিগী যন্ত্র–মন্ত্রদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। লোক সভাদা হাথু–হাথুনা বিল অসি পাস তৌখিবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মণিপুরী মচা কয়া মরুম্না দেল্লিদা প্রোটেষ্ট তৌবদা দেল্লি পুলিসনা তাথি–তাওইনা তৌবীখি। মসিগীসু মথক্তা নুপী পুলিস অমত্তসু য়াওদনা মণিপুরদগী লাকখিবা ইমা–ইবেমশিংদা তমথিনা তৌবিখি।

বিল অদু ঐহাক্কী পার্টি ওইরিবা ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকী মদুগী মায়োক্তা লৈ অমসুং মণিপুরদগী লাকপা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী মীহুৎশিংনা বিল অসি ৱিঠদ্রো তৌ হায়না তকশিল্লক্লি।

# ফেব্রুৱারী ১৩ ফাওবা মীয়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা লৈমিন্নসি ঃ পাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ ঃ পিপলস এল্লাইয়েন্স মণিপুর (পাম) না সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৬ রাজ্য সভাদা পাস তৌবা য়ারোই হায়না শিন্থা লেপ্তুনা অমদি লম্বী থিংদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা অসিগী মখা তারকপা ওইনা হয়েংসু মখা চত্থখিগনি। মীয়াম্না চোকথবা নাইদনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৩ ফাওবা মীয়াম্না মীকুপ–নাহুম শিংনা লৈমিন্নসি হায়রি।

পামগী কনভেনর দব্লিউ কামেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অৱাং নোংপোক্কী য়েলহৌমী মুত্থৎনবা পুথোরক্লিবা সি এ বিল, ২০১৬ অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌনবা শেম শাদুনা লৈখ্রবনি। মণিপুর মীয়াম পূম্বনা কাঙলূপ ফুরুপকী খেন্নবা থমদনা মীয়ামগী অপূনবা পাঙ্গল অমা শাগৎতুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনমিন্নসি হায়রি।

ঙরাং বিল অসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খ্বাইদরমবন্দ কৈথেলগী ইমাশিংনা অহিং য়ারেক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিবশিংবু লৈঙাক্না ঙম্মী মতাগুম টিয়ার গ্যাস, মোক বোম নচিংবা কয়া কাপশন্দুনা অশোক–অপন নংহনখিবা থৌওং অদু লৈবাক মচা তাদবা লীচৎনি। দেমোক্রেটিক ওইনা খোঙজং চঙশিঞ্জবা ইমাশিংবু অশোক–অপন নংহনখিবা অদু 'পাম' না অকনবা মওহংদা কন্দেম তৌই। সি এ বিলগী মায়োক্তা মখা তানা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে অমদি হয়েংসু মখা তানা শিন্থা লেপ্পগী খোঙজং মখা তানা মীয়াম্না চত্থবিয়ু হায়রি।

অমরোমদা, খোইশাওনরবা মীয়াম্না সি এ বিলগী মায়োক্তা ষ্টেট অসিগী মরুওইবা মফম কয়ামরুমদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়ামরুমদসু নুমিদাংদা মৈরা পায়দুনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎনখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# নোর্থ ইষ্টকী সি এমশিংনা বিল ...

*লমায় ১গী মখা* অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মীয়ামনা সি এ বিলগী মতাংদা মখোয়গী পুক্নিংদা ফাওরিবা পুক্নিংগী ইথিল কয়া য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা খঙহনখি।

মখোয়না বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌবিদনবা হোম মিনিষ্টরদা তকশিনখি। উন্নবা অদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না অৱাং নোংপোক মীয়ামগীদমক লেপকনি মঅসুং বিল অসিগা মরি লৈনবা পুন্নমক্তা ৱাফম অসি পুথোক্তুনা খন্নগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

অমরোমদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙরাং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাঠ সিংহদা ইবা চেরোল অমদা মণিপুরদা লৈরিবা আইন কায়না চংশিনলকপা মীতোপশিং খঙদোকপা য়ানবা অসামদা চত্থখিবগুম নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিতিজেন (এন আর সি) তৌবদা অয়াবা পীবিনবা ৱাফম তকশিনখি।

চীফ মিনিষ্টরগী অইবা চেরোল অদুদা পনলিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মণিপুর অসি ম্যানমারগা চাউরাক্না কিমি ৩৮৯ লোম শাঙনা অহোবা ইন্টরনেস্নেল বাউন্দরি লৈবা লমদম অমা ওইবনা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা হৌখিবা দিকেদ কয়াদা ওইফম থোক্তবা চাংদা মীশিং হেনগৎলকপা থেংনখি।

ইন্টরনেস্নেল বোর্দর অসিগী নাকল অনিমক্তা খুন্দারিবা মীয়ামগী মরক্তা মান্নবা লোনগী মরি অমা লৈবনা ম্যানমারদগী আইন কায়না মীতোপশিং চংশিনলক্তুনা মীশিং হেনগৎপদা মতেং পাঙলব্রা হায়বগী থাজবা লৈ।

হৌখিবা চহী ১০ অসিদা ইন্টরনেস্নেল অমসুং ইন্টর ষ্টেট বাউন্দরিগা তাইননা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীশিং হেনগৎপগী চাং অসি নেসনেল এভরেজদগী হেনগৎনা লাক্লে।

মসিগা মান্নবা মওংদা বঙ্গলাদেশি কয়া কছার ফাওরগা মণিপুরদা আইন কায়না চংশিনলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি।

মপান্দগী মীতোপশিং চংশিনলকপা থিংনবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা ষ্টেট এসেমব্লিনা দি মণিপুর পীপলস বিল, ২০১৮ পাস তৌদুনা মণিপুরগী গভর্ণরনা প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা অয়াবা পীবিনবা থাখিবনি।

বিল অসি য়েংশিন্নবা থবক লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি পুথোরকপদগী মীয়ামগী ৱাখলদা আইন কায়না চংশিনলক্লবা মীতোপশিং অসি লিগেলাইজ তৌখিদুনা লমদম অসিদা হান্নদগী লৈজরক্লবা য়েলহৌমীশিংদা চাউনা শাফু পীদুনা মখোয়গী লৈফম লৈরক্তবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

ফিভম অসিদগী ষ্টেট কেবিনেটে মীফম্না ৱারেপ লৌদুনা এন আর সি অসি ষ্টেট অসিদসু চৎনহন্দুনা আইন কায়না চংশিনলক্লিবশিং অসি খঙদোক্লবা সেন্ট্রেল লৈঙাক্না থবক লৌখৎপীনবা হায়জনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

মসিগী খোঙথাং অসিনা লমদম অসিদা আইন কায়না চংশিনলক্লিবা মীতোপশিং অসি খঙদোকপা ঙমগনি হায়না ষ্টেট লৈঙাক্তা ফাওই হায়রদুনা ষ্টেট লৈঙাক্কী ৱাফম অসিদা অয়াবা পীবিয়ু হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা থমখি।

চীফ মিনিষ্টরশিংগী ৱাফম অদু তারগা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজ নাঠনা বিল অসি হয়েং রাজ্য সভাদা পুথোক্লগনি। অদুবু নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম অমসুং চীফ মিনিষ্টরশিংগী ৱাফমশিং অদুনা মরম ওইরগা রাজ্য সভাদা বিল অসি পাস তৌদনবা থবক লৌখৎকনি হায়না থাজবা পীরক্লে হায়রি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী পূকচেল শেংদবা ফিভম অদু উবদগী মেঘলয়াগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা এন পি পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট কোর্নরাড সংমাদি হোম মিনিষ্টর উন্নবা অদুদা শরুক য়াখিদ্রে হায়রি।

# মোবাইল ডাটা নেটৱার্ক য়াহনখিদ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ ঃ ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্ডরগী ফিভম হেন্না ফৎশিল্লক্তবা অমসুং মতম অমদা হেক্তা পামদবা থৌদোক থোরকপা য়াবগী মীপাইবা লৈবা মরম্না মণিপুর লৈঙাক্কী য়াথংদগী মণিপুরগী তম্পাক লমদা মোবাইল ডাটা নেটৱার্ক (মোবাইল ইন্টর্নেট) সার্ভিস ঙসি অহিংদগী মতম কক্তুনা থিংজিনখ্রে। থৌওং অসি মীয়ামগী মচিন মেন্নবা লৈঙাক্কী থৌওংনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, মোবাইল ইন্টর্নেট সার্ভিস থিংজিনখিবগী মতাংদা লৈঙাক্কী ওইবা য়াথং থোকখিবগী চেরোল অমফাওবা মীয়ামদা থাদোরকপা লৈত্রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফঙবা পাউনা হায়, হয়েং রাজ্য সভাদা বিল অসি পাস তৌদ্রবদি নুমিদাংৱাইরমদগী ইন্টর্নেট সার্ভিস অমুক হন্না পীরবা য়াই।

# পুলিসকী থৌওং য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ ঃ লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ বু রাজ্য সভাদা পাস তৌবা য়ারোই হায়না চঙশল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না খ্বাইরমবন্দ কৈথেলগী ইমাশিংনা দেমোক্রেটিক ওইনা চঙশঞ্জবা খোঙথাংদা মরিপু লৈঙাক্কী পুলিসশিংনা চত্থখিবা ইমা কয়াবু অশোক–অপন নংহনখিবা থৌওং অদুবু য়ুঠস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

হৌজিক লৈরিবা মণিপুর লৈঙাক অসি প্রজা ময়ামনা খনখিবনি হায়বসি লৈঙাক অসিনা কাউথোক্তুনা য়াম্না পিসফুল ওইনা ইমাশিংনা চঙশিঞ্জখিবা খোঙজং অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কী পুলিসশিংনা প্রজাশিংগী খোল্লাউবু নমথনবা হোৎনদুনা মীচমগী রাইটসশিং অদু মুৎতুনা লালগী মওংদা চত্থদুনা অশোক অপন নংহনখিবা অসিনা প্রজাশিংবু ইকায়খূম্নদবা থৌওংনি।

বিল অসিগী মায়োক্তা খোভজং চঙশিল্লিবশিংদা মণিপুর, ট্রিপুরা, অসাম গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী পৱার লান্না শীজিন্নদুনা প্রজাশিংদা খূৎ থাবা অসি ফোরম অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মরিপুর গভর্ণমেন্টনা প্রজাশিংবু ইকায়খূম্নবীয়ু মসুং নুপীশিংদা দেসক্রীমিনেসন তৌবীহনগনু হায়না য়ুঠস ফোরম ফোর প্রোটেক্স ওফ হ্যুমেন রাইটসনা মণিপুর লৈঙাক্তা আপিল তৌরক্লি।

# 'ওজাশিংনা ষ্ট্রাইক তৌরিবসি লৈঙাক্কী অশোয়বনি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ ঃ এস এস এ, আর এম এস এ গী ওজাশিংনা লম্বীদা থোক্লক্তুনা ষ্ট্রাইক তৌরক্লিবসি মণিপুর লৈঙাক্কী অশোয়বনি। মসিনা ওদুকেসনবু হেন্নে লৈখা তাহন্নবা শিনবনি। অদুনা ষ্ট্রাইক তৌরিবা ওজাশিং লৈঙাক্না উন্নদুনা মখোয়গী দিমান্দশিং পীথোকফম থোকই হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোইয়ীস কনফেদ্রেসন, মনি প্রেস য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এম জয়কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী কনফেদেরেসননা ইন্দিয়াগী ষ্টেট লৈঙাকশিংদা কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোইয়ী লৌবা তোক্লবা চহী কয়া তক্লদুনা লাক্লি। অদুবু লৈঙাকশিংনা তোকপগী মহুত্তা অহোয়নদুম হেন্না লৌবনা মরম ওইদুনা মহৈ মশিন লৈরবা নহাশিংবু পুন্সিদা হিংবগী ইষ্টেটিসমেন্টশিংবু হেন্না লৈখা তাহন্নবা হোৎনরি। অদুবু লৈঙাক্না চল্লাইবা ইষ্টেটিসমেন্ট ফেল ওইরে হায়দুনা লনাই মীওইশিংদা য়োম্থোক্লি। মরম অসিনা এ আই এস জি ই সি মণিপুর য়ুনিটনা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা থবক লৌবা তোক্লবা আপিল তৌরি। হান্না লৌশিনখফ্রবা পূন্নমকসু রিগুলর তাহন্দুনা মগুণ লৈবা সেক্তর ওইহনগদবনি।

# সিক্কিমনা প্লাষ্টিক খুদম পীনিং ঙাই ওইবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ওইরি

ইম্ফাইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ ঃ ইন্দিয়াগী অপীকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সিক্কিমনা প্লাষ্টিক থিংবদা নত্তনা হিরম মঙাদা খুদম পীনিংঙাই ওইবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ওইরি।

পাউগী লিখুন অসিনা হায়, ইন্দিয়ান হিমালিয়ন রিজন (আই ঐচ আর)গী মনুংদা লৈবা ষ্টেট অসি চাউখৎ খোঙজেলদা অনৌবা ইনোৎ ওইনা ষ্টেটসিগী সিটিজেন ৬,১০,৫৭৭দা য়ুনিভর্সিসেল বেসিক ইনকম লৈননবা প্লান অমা থবক্তা ওম্থোক্লবা লাউথোকখ্র। মসিগুম্বা স্কিম অমা চৎনবসি মালেমসিদা লৈরিবা দেমোক্রেটিক ষ্টেটশিংগী মনুংদা অহানবনি। য়ুনিভর্সিয়েল বেসিক ইনকম অসি ষ্টেটসিগী মীপুম খুদিংমক মখোয়গী শেম্থোক, মরল–মথুম অমসুং থবক তৌবা হায়বা খায়দোক্তনা য়াৎথোক্লবা ইনকম চাং নাইনা ফঙহন্নবা প্রোগ্রামনি।

স্কিম অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি মীয়াম্না মখোয়গী তঙাই ফদনা চঙগদবশিং ফঙহনবদা মতেং ওইনবনি।

পনবা য়াই, কুমজা ১৯৯৮দা প্লাষ্টিক বেগশিং মপুং ফানা থীংবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা ষ্টেট সিক্কিমনা ওইখিবতা নত্তনা মদুগী মতুং চহী ২০সিদসু মপুং ফানা প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থীংবা ঙম্বা লৈবাক্কী অহানবা ষ্টেট ওইরি। নুপীশিং সেফ ওইদবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমনি হায়না লৌনরবসু থবক শুফমদা নুপীশিংবু তাথী–তাওইনা তৌদবা ষ্টেট সিক্কিমনা ওইরি। মসিদা নত্তনা অর্ব্বান অমসুং লোকেল বোডিশিংদা নুপীশিংগী রিজার্ভেসন চাদ ৫০ খাক্তুনা থম্বনা নুপী মীহুৎ মশীং য়াম্না লৈহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাঙলি। ষ্টেটসিগী লাইরবগী চাং শিংথানিংঙাই ওইনা চাদ ২২ কুমজা ২০০৪দগী ২০১২ ফাওবদা হন্থহনবা ঙমখ্রে। মসি গ্রাসরূট লেভেলদগী দিভোলুসন ওফ পৱার অমসুং দিসেন্টেলাইজেসন ওফ পৱার তৌবদগীনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, পেষ্টিসাইট অমসুং ফার্টিলাইজরশিং শীজিন্নবা তোক্তুনা সিক্কিমনা চহী অনীগী মমাঙদা ইন্দিয়াগী অহানবা ওর্গানিক ষ্টেট ওইবা ঙমখি। মসিনা সিক্কিমনা ৱার্ল্ডগী মনুংদা চাদা ১০০ ওর্গানিক ষ্টেট ওই–খ। সিক্কিমনা ওর্গানিক ওইনা মপুং ফানা ওম্থোরকপনা কুমজা ২০১৮দ ফ্যুচর পোলিসি এৱার্ড ফঙবা ঙমখি। ওস্কার ফোর বেষ্ট পোলিসিজ হায়না খঙনবা মানা অসি এগ্রো ইকোলোজিকেল অমসুং তুংকোয়বা ফুড সিষ্টেম লৈনবা মাঙজিল থানা থৌরাংশিং য়াৎপবু ইকায়খুম্নদুনা ফুড এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসন (এফ এ ও)না পীবনি।

# ইম্ফাল ময়োলদা অমুবা ফিরাল চিং

*লমায় ১গী মখা* তৌবগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না মখা তানা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, সি এ বিগী মায়োক্তা মেনপেকনা চংশিল্লিবা খোঙজংবু শৌগত্তুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লম্বী থিংবা, ৱাকৎ মীফম ফম্বা অমসুং য়ানিংদা খোঙচৎকী খোঙজংশিং চংশিন্নখ্রে।

খোঙজংশিং অদুগী মনুং চন্না শিংজমৈ চিঙামখাদা মোদেল ক্লব অপুনবা নুপী লূপ অমসুং সলাইনা শিন্দুনা মীয়াম্না লম্বী তংখাই থিংবগী খোঙজং চংশিনখি।

মেনপেককী খোঙজংবু শৌগত্তুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা কৈথেল ফম্বীশিংনা অহিং য়ারেক্তুনা খোঙজং চংশিল্লিবগী শরুক অমা ওইনা ৱাঙ্গোই কৈথেলদসু কৈথেল অসিগী কৈথেল ফম্বীশিংনা ঙরাংদগী হৌনা অহিং য়ারেক্তুনা খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে।

সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা মীয়াম্না চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা কৈশাম্পাট কোঞ্জেং হজারি, হোদাম লৈরক মচিন, থৌদা ভাবোক লৈকায়, ক্বাকৈথেল থোকচোম লৈকায়, ক্বাকৈথেল তখেলম্বম লৈকায়, হাওবম মরক মখা লৈকায়, হাওবম মরক কৈশাম লৈকায়, শিংজমৈ থোং, শিংজমৈ ৱাইখোভ লৈকায়, শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায়, শিংজমৈ ওক্রম লৈকায়, ককৱা নামৈরাকপম লৈকায়, ককৱা অশেম লৈকায়, থোংজু বোরোই মখোং অমদি ৱাংখৈ মৈহৌবম লম্পাকনচিংবা মফমশিংদা চংশিনখি।

উরিপোক কাংচুপ রোদ, ইম্ফাল উখ্রুল লম্বীগী খুরাই লম্লোং, ময়াই লম্বীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং, ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বীগী কোংবা কৈথেল অমদি ইরিলবুং, মোইরাখোম, লোকলাওবুং, য়াইস্কুল চিঙাখম লৈরক, য়াইস্কুল পুলিস লেন্দ, কৈশাথোং লোংজম লৈরক, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়নচিংবা মফমশিংদসু লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখি।

# নুপীশিংদা হন্থনা য়েংবীবা থিংনবগী পাউজেল শন্দোকপা তঙাইফদ্রেঃ গভর্ণর

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ১১(এস এন এস)ঃ নুপীশিংবু তুহৎ নৈহৎপীদবগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা থৌরমশিং পাঙথোকপগী য়াম্না তঙাইফদবা লৈরি হায়না গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা ফোঙদোকখ্রে। ঙসি নিউ দিল্লিগী স্কোপ কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ফোরম ফোর ৱুমেন ইন পব্লিক সেক্টরগী ২৯ শুবা এন্যুৱেল দেগী থৌরম হৌদোকপদা ৱারোল পীরদুনা গভর্ণরনা হায়, নুপীশিংনা মখোয় মশাগী ফিদা শেমজনবা আইন কয়া শেমদুনালৈরিবা অসি খঙজবা ঙমদে। ঙসিদি নুপীশিংগী অকক্লনা অমসুং নুপীশিংগা মরি লৈনবা লেজিসলেসনশিং শেমদুনা নুপীশিংবু সোসিয়েল দিসক্রিমিনেসন তৌবিবা, তুহৎ নৈহৎপীবা অমসুং অওৎ অনৈ কয়া চত্থবা থিংনবা থৌরাং পায়–খৎখ্রে।

অসিগুম্বা আইন কয়া অসি খঙবা ৱাৎপনা মপুং ফানা থবক্তা ওম্থোকপা য়াদনা লৈরি। নুপীশিংনা খুন্নাইদা মখোয়গী থাক অসি ৱাংখৎহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মসিগুম্বা অহোংবা ফিভম অসি লাকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মহৌশানা ইনিদয়া নুপীশিং অসি অসি শক্লোন মরি থোক্না লৈ হায়না লৌনরক্লি। ইন্দিয়া নুপীশিং অসি মচানুপী অমা ওইনা, য়ুম্বুরেম্বী অমা ওইনা, নুপাগী লোয়নবী অমা ওইনা অমসুং মমা অমা ওইবগী শক্লোন পুরিবনি। হৌজিক্কী মতমদা ইন্দিয়া নুপীশিং অসি অনৌবা হিরম কয়াদা লেপ্তুনা চংশিনলক্লি। মখোয়না ইকোনেমিক, পোলিতিকেল অমসুং সোসিয়েল লাইফশিংদা শরুক য়ারিবনি। হৌজিক্কী কম্পিতিটিভ ওইরবা খুন্নাই অসিদা হেন্না স্মার্ট ওইবা অমসুং অনৌবা ৱাখল লৌশিং পুথোকপা ঙম্বা ৱাখলশিং নুপীশিংনা খনবা চংই হায়খি।

# আই আর বি লৌবগা মরী লৈননা পুলিস অনী সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ মণিপুর পুলিসকী পার্সোনেল অনীনা চৎফম থোক্তবা লিচৎ চৎপা অমদি তৌগে হায়বা অমা য়াওনা মথৌ থৌওইদবগীদমক মখোয়গী মথক্তা দিপার্টমেন্টেল প্রোসিদিং লৌখৎনবগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্যকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রবা পুলিস পার্সোনেল অনী অদুদি এস আই ৱার্চিপেল ঙালুং অমসুং এ এস আই বি এম অমির ধাননি।

অসাম পুলিস মেন্যুয়েল পার্ট থ্রিগী রুল ৬৬ না পীবা শক্তি শীজিন্নদুনা সস্পেন্দ তৌখিবা পুলিস পার্সোনেল অনী অসি এস পিগী অয়াবা য়াওদনা হেদক্বার্টর থাদোকপা য়ারোই হায়না এস পিগী ওর্দর অদুদা পল্লি।

পুলিস পার্সোনেল অনী অসি সস্পেন্দ তৌখ্রিবসি ১০শুবা অমদি ১১শুবা ইন্দিয়ান রিজার্ব বট্টালিয়ানগী রাইফলমেন লৌবগী দি পি সিগী চীয়রমেননা ইবা চিঠি অমগা মরী লৈন্ননি।